# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-07-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০১-০৭-২০২৫, )**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা লালহৌবা অমদি খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

২) ইম্ফাল সহরগী জিওগ্রাফি ইনফোর্মেসন সিস্তেম মেপ্পিং হৌদোকখ্রে, অনা লায়েংশঙশিংদা খূৎশু খূৎলাইশিং য়েন্থোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক ৫-ঘানা, ত্রিনিদেদ এন্দ তোবেগো, অর্জেন্তিনা, ব্রাজিল অমসুং নামেবিয়াগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা লালহৌবা অমদি খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। পুলিসকী পাউনা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকাইদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা ফারে। মীওই অদু হৈরোক পার্ট টু বজারদগীনি। মহাক থৌবালগী অকোইবদা লৈবা মীচম মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি। মীওই অদুদগী হাই এক্সপ্লোসিভ

হেন্দ গ্রেনেদ অমা, মোবাইল ফোন অমা য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

পাউ অসিনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা খুরাই কোংপাল থৌবানদোংদগীসু সরকারগা শান্তিগী ৱারি শান্নরিবা পান্থৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফগী মীওই অমসু ফাখি। ফারবা মীওই অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখাইদগীনি। মীওই অদুদগী অঙৌবা মচুগী বোলেরো অমা য়াওনা শেলসু ফংখি।

অমরোমদা, হৌখিবা জন ২৯ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল নোংপোক সেকমাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা লৈরোংথেল পিত্রাদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জিগী মীওই অমসু ফাখি। ফারবা মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইরিপোক নুংব্রং মখা লৈকাইদগীনি। মহাক মীচম মীয়ামদগী শেল খাইবা অমদি লালহৌলুপ অসিগী অনৌবা মীওইশিং রিক্রুইট তৌবদা চেন্নবনি।

মণিপুর পুলিসনা গারি অচৌবগী মিংশেলদা তিন্তেট ফিল্মশিং নপ্পগী মায়োক্তা অখন্নবা দ্রাইভ লেপ্তুনা চথরি। ঙরাংসু গারি নিয়ম লান্না থৌবশিংগী মথক্তা চলান ককখি। লোয়ননা, গারি ১৩ দগী অমুবা ফিল্মশিং লৌথোকহনখি।

**জি.আই.এস(এল) ঃ** ইম্ফাল সহরগী জিওগ্রাফি ইনফোর্মেসন সিস্তেম(জি.আই.এস) মেপ্পিং হৌদোকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমসুং জেনিমস য়াওনা অপর প্রাইমারি হেলথ সেন্তরশিংদা অনা লায়েংগী খূৎশু খূৎলাইশিং য়েন্থোকখ্রে। ষ্টেট হেলথ সোসাইটি নেসনেল হেলথ মিসনগী কনফরেন্স হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদু নেসনেল অর্বান হেলথ মিসন, ষ্টেট হেলথ সোসাইটিগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেসনা পাথকা খূৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা, হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চম্বো গোলমৈ, নেসনেল হেলথ মিসনগী ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর ডা.এম.দিনেশ য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং কোবিদ নাইন্তিনগীদমক মীওই ৪৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১২ নৌনা পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক এক্তিভ কেস ৯৭ লৈরি। হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা অপুনবা মীশিং ২৫৫ শুরে। ঙরাং মীওই ১৩ নাবা ফখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা নাবা ফবা অপুনবা মীশিং ১৫৮ শুরে।

হোম আইসোলেসনদা মীওই ৮৭ লৈরি।

**সি.পি.আইঃ** কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী(সি.পি.আই)গী জেনরেল সেক্রেটরি দি.রাজা অমসুং নেসনেল সেক্রেটরি রামা ক্রুসনা পন্দানা নেসনেল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল কাষ্টকী চেয়রপর্সন কিসোর মাকৱানাগা উনদুনা দলিটশিংগী মথক্তা চথরিবা মীওৎ মীনৈ য়েংশিনবীনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। ঙরাং এন.সি.এস.সিগী চেয়রপর্সনদা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা মরুওইনা উরিষাগী গনজম জিলাদা হৌখিবা থোদোক অদুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা তকশিনখি। উনবা অদুদা শ্রী কিসোর মাকৱানানা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিবা হুস্বগা লোয়ননা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়বগী থাজবসু পীরকখি হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক ৫-ঘানা, ত্রিনিদেদ এন্দ তোবেগো, অর্জেন্তিনা, ব্রাজিল অমসুং নামেবিয়াগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। লৈবাক ৫ গী খোঙচৎ অসিগা মরি লৈননা মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী ইকোনোমিক রিলেসনগী সেক্রেটরি দামু রবীনা হায়-প্রধান মন্ত্রিগী লৈবাক ৫ গী খোঙচৎ অসিগী অহানবা ওইনা থা অসিগী ২ অমসুং ৩ দা ঘানাদা চৎকনি। খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংগা উনদুনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা তেংবাং পীননবা ৱারি শাগনি। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রিগী

খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ৬ তগী হৌদুনা নুমিৎ নিনি চুপা ব্রজিলগী রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোক্কদবা ১৭ শুবা ব্রিক্স মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অসিগী চহী অসিগী ওইবা হীরমা স্ত্রেংথনিং গ্লোবেল সাউথ কোওপরেসন ফোর ইনক্লুসিভ এন্দ সস্তেনেবল গভর্ণনান্স হায়বসিনি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা মালেমগী ওইনা শান্তি অমসুং ঙাকশেল, ক্লাইমেট এক্সন গ্লোবেল হেলথ অমদি শেল থুমগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি। তুংদা, শ্রী মোদিনা ব্রসিলিয়াদা চত্তুনা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি তুলাগসু উনদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ৩ অমসুং ৪ দা ত্রিনিদেদ এন্দ তোবেগোতা চৎকনি। অদুগা, থা অসিগী ৪ অমসুং ৫ দনা আর্জেন্তিনাদা চৎকনি।

**দেল্লিঃ** ভারত অমসুং ভুতান অনিগী মরক্তা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা মতেং পীনবগী মীফম অমা ঙরাং নিউ দেল্লিদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা, মরুওইনা মমাঙদা য়ানখিবা প্রোজেক্টশিং মপুং ফানা পায়খৎনবা অমদি খুমাং চাউশিলহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা, ভারতকী মীহুৎ ওইনা সেক্রেটরি ৱেষ্ট তালমাইয়া লাল অমসুং ভুতানগী ফোরেইন সেক্রেটরি ওম.পেমা সোদেন শরুক য়াখি। মপাল থৌরম মন্ত্রালয়না ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না লূপা কোতি লিশিং ৪,৯৫৮কী পি.টি.এ প্রোজেক্ট ৬১ অমসুং লূপা কোতি ৪১৭ চংনা পায়খৎকদবা হাই ইম্পেক কম্যুনিতি দেভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ২৮৩ শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং তৌরি।

**ভারা ঃ** রেলৱেজ মন্ত্রালয়না পেসেঞ্জরশিংগী রেল তোংবগী ভারা হেনগৎখ্রে। মসি ঙসিদগী চৎনবা হৌরগনি। নোন-এ.সি মেল অমসুং এক্সপ্রেস রেল গাড়িশিংগী ভারা কিলোমিতর ১ দা পৈশা ১ অমসুং এ.সি ক্লাসকীনা কিলোমিতর ১ দা পৈশা ২ হেনগৎলগনি। মন্ত্রালয়না হায়- সেকেন্দ ক্লাসকী

ওইনা কিলোমিতর ৫০০ ফাওবগী মনুংদা চৎপশিংগীদি ভারা হেনগৎলোই। অদুমওইনমক, কিলোমিতর ৫০১ দগী লিশিং ১,৫০০ ফাওবগী ওইনদি লুপা ৫-৫ হেনগৎকনি। কিলোমিতর লিশিং ১,৫০১ দগী লিশিং ২,৫০০ ফাওবনা লুপা ১০ হেনগৎকনি। অদুগা কিলোমিতর লিশিং ২,৫০১ দগী লিশিং ৩ ফাওবগীনা লুপা ১৫ হেনগৎকনি। পেসেঞ্জরগী ভারা হেনগৎপা অসি রাজধানি, সহতাবদি, দুরোন্টো, বন্দে ভারত অমসুং তেজাসকুম্বা অখন্নবা রেল গাড়িশিংদসু চৎনগনি। অনৌবা ভারা অসি ঙসিদগী বুক তৌবশিংদা চৎনগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরগী সি.এস.ওশিংনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়রসকা উনদুনা ৱারি শানখিবা অমসুং কুকি খূৎলাই পায়বা মশেল খূৎ থোকবদা কে.এন.এগী দিপ্যুতি কম্মান্দর ইন চিফ শিখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

কুকি খূৎলাই পায়বা মশেল খূৎ থোকখ্রে, য়ু.কে.এন.এনা কাপ্পদা কে.এন.এগী দিপ্যুতি কম্মান্দর ইন চিফ য়াওনা ৪ শিরে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, গানফিউ মেল, নহারোলগী থৌদাং অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি। খূৎলাই পায়বা মশেল খূৎ থোকবগী পাউগা লোয়ননা মীয়ামগী ৱা তাদবদগী মখোয়বু শিবগী চৈরাক পীখিবনি হায়বা য়ু.কে.এন.এগী ৱাফম- সনালৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লিদা অনিরক ৱারি শান্নখি, ফ্রি মুভমেন্ট য়াহনবা য়াওনা দিমান্দশিং

তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী সি.এস.ওশিং অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সকা উনদুনা ৱারি শান্নখিবগী পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসি-হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল য়াওনা অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-বফর জোন শেল্লিবা অসি কাংলুপকী ওইবা ফোর্স শেমগৎপদা মতেং পাংশিনবনি হায়বা এম.পি.বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- কোকোমি, অমুকো, ফোক্সকী মীহুৎশিংনা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিএলশিংগা উনখ্রে, লুপশিংনা থম্বা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- জ্লাই ৯গী স্ত্রাইক মণিপুর লৈঙাক্কী ওজা অমসুং এমপ্লোয়িশিংনা শৌগৎকনি হায়বা পাউ অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- বি.জে.পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট শিন্দোক্লবা য়ানা লৈরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

লায়েংবা ঙমদবদগী রিলিফ কেম্পকী আই.দি.পি অমা লৈখিদ্রে, রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং শিবা ঙাইবগী পুন্সি তারে হায়বা পাউ- নহারেলগী

থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট পাঙথোকখিবগী পাউ- মণিপুর মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রেংপাং ইলেক্ট্রিক্ট সবস্তেসনগী কন্ট্রোল পেনেল মৈ চাকপগী পাউ- তামেংলোং তাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**